# কুমজা ১৯৮৯/৯০দা ঙাঙোম দিঙ্কুনা সব জুনিয়র শান্নবা চৎপা মতমদুদা বোক্সিং কোচ ওইনা পুরগা চৎলকখি : কিষন

(হান্নগী মখা...)



লাইশ্রম কিষন (বোক্সিং কোচ)

খোঙ-খূৎ থাঙ্গৎপা, ষ্টেপ চুম্না লৈথোক-লৈশিন তৌবা, খূৎমত্তা থাঙ্গৎলবসু, খোঙ মত্তা থাঙ্গৎলবসু হেক ফোর্ম তাদ্রিফাও তপ্প া তপ্পা তাক্লগা ঙম্ নবসি হোৎনহল্লি। য়াম্না ফজনা তাকপীরকখি। অদুনা ঐখোয়দা বোক্সিংগী মতাংসিদা মতিক চাবা নোলেজ অদুমক ফংজখি। বোক্সর অমা ওইজরিঙৈদা ঐহাক ষ্টেট লেভেলদা বেষ্ট বোক্সর অমুরকসু তাজরকখি। নেসনল থাক্তুনা লুপাগী মেদল অমা, ব্রোঞ্জগী মেদল অমসু লৌজরকখি। নোর্থ ইষ্টকী স্পোর্টস ফেষ্টিবেলদসু মেদল খরা অদুম ফংজরকখি।

ঐহাক বোক্সিং শান্নবা তোকখ্রিবসিসু ইশাদা নুংঙাইতবা পেনদবা খরা লৈখিবদগীনি। মপান্দা নেসনল শান্নবা চৎচবা মতমদা ঐনা পোইন্ট ফংবা য়াবা ময়াম অমা ফুখ্রবসু পোইন্ট পীবদি ঐগী ওপোনেন্টতা হেক্তা পীখিবা, মসিগুম্বসি অনী/অহুমরক ইতৎ তত্তনা থেংনজরকখি। কমপ্লেন্ট তৌজরুরবসু করিমত্তা কান্নবা ফংদবা, থম্মোয় শোক্লগদা অদুম তোকপদগী শান্নবসি পোথারগে খল্লগা কুমজা ১৯৮৯/৯০দা পোথাজরকখি। অদুদগী ঐহাক কুমজা ১৯৯০দা অম্ব্রাবতিদা ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী ত্রেনিং চৎচরকখি। ত্রেনিংদু হল্লক্লগা অমুক শান্ননীংলক্তুনা অমুকসু নেসনল শান্নবা চৎচরকখি। নোর্থ ইষ্ট স্পোর্টস ফেষ্টিবেলদবুদি গোল্ড, সিলভর, ব্রোঞ্জ লৌবা ঙমজরকখি। নেসনলদদি লৌবা ঙমখিদ্রে।

অম্ব্রাবতিদা সী পি এদ লোইশিল্লবা মতুংদা অঙাং শেম্মিংবগী ৱাখল অমসু লাক্তুনা ঐহাক কোলকটাদা ৱান য়রগী দিপ্লোমা কোর্স অমসু চৎচরকখি। মরু ওইনা ঐহাক্না কোচকী ত্রেনিং চৎপা পামজরকখ্রিবসিদি ঐখোয়না শান্নজরকপা মতমদা কোচকী অৱাৎপা য়াম্না লৈরকখি। মপান্দা বোক্সিং টিম পুদুনা চৎপদা হৈথোই-শিংথোইবা মী কয়া লৈরক্তে। অদুনা ঐখোয়না নেসনলগা শান্নবা চৎপসি নীংবা ইথুং থুংলকখিদে। মদুগী অৱাৎপশিংদু খরগীমখে মেনশিনবসু ঐহাক পামজরকখি। ইশামক শান্ন-শান্ননা ইখাগী জুনিয়র প্লেয়রশিং য়েংশিন-খোৎচিনবগী থবকসি ঐদি হান্নদগীসু তৌদুনা লাকচখি। কোচিং লাইন্দা ঐহাক্না লাকখ্রিবসি বোক্সিং মশান্নবু নুংশিজবা গেম অসি চাউহন্নীংবদগীনি। অম্ব্রাবতিদা তৌজরকপা সার্টিফিকেট কোর্স (ফিজিকেল এদ্যুকেসন) অদুদসু ঐহাক ফর্ষ্ট ক্লাসতা পাস তৌজরকখি। অদুগা কুমজা ২০০০দা কোলকটাদা তৌজরকপা দিপ্লোমা কোর্সতুদসু ঐহাক ফর্ষ্ট ক্লাসতা পাস তৌবা ঙমজরকখি।

ত্রেনিং লোইদুনা থোরকপদগীদি অঙাং শেম্মিংবগী ৱাখলসি ঐঙোন্দা কন্না ফাওরকখ্রে। অহানবা ওইনা ঐখোয়গী ক্লব কোঞ্জেং হজারি লৈকায় য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লব অসিদগী বোক্সিংগী অঙাং শেম্বা হৌজরকখি। হায়রিবা মতমদুদদি ঐহাক কৈশাম্পাৎতগী জেল্লর লৈরক্তা য়ুম হোংলকখ্রে। ষ্টেট লেভেলগী টুর্নামেন্টশিংদা কে ৱাই দি সীগী মমিংদা অঙাংশিং পুথোকপা হৌরকখ্রে। হেক থোকপা হৌবগা কে ৱাই দি সীনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা টিম চেম্পিয়ন লৌবা ইহান হান্না ঙমখি। মেরি কোমনা ইহান হান্না ষ্টেট লেভেলগী টুর্নামেন্ট থোকখিবসি কে ৱাই দি সী ক্লব অসিদগীনি। নাওরেমথোংদা কুমজা ২০০০দা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা মেরি কোমনা সনাগী মেদল লৌবা ঙমখি। লোয়ননা বেষ্ট বোক্সরসু তাখি।



## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## বোক্সিংদা মীৎয়েং অমা

মদুগী চেম্পিয়নশিপ অদুদা লাইশ্রম সরিতা, দল্লিয়ু সন্ধ্যারানি (হৌজিক্লা রুশুদা শান্নখ্রগা অর্জুন এৱার্দকা ফংখিবী, গীতা) ... মখোয় অনী অয়াম্বা লোয়না থোরকখিবনি। ঐহাক্না ঐখোয় লৈকায়গী ক্লব কে ৱাই দি সীগী গ্রাউন্দসিদা তৌজবা কোচিংসিদসু অঙাং নুপামচা-নুপীমচা ফনা য়াম্না লাকখি। বোক্সিং শান্ননীংনা লাকখিবা অঙাং খুদিংমক ঐনা ঙমজবা লেভেলদা তাকচরকখি। মদুগী নুংঙাইজবা অমসু ঐঙোন্দা লৈজরকখি। ঐগী পোকফম-শাৎফম ওইজরিবা সেগা রোদ জেল্লর লৈরকসিদা লৈবা অপিকপা লৈকায়গী লম্পাক মচাসিদগী মমিং লৈবা বোক্সর কয়া অমসু পুথোকপা ঙমজখি।

কে ৱাই দি সী গ্রাউন্দসি মতম অমদদি লৈকায়গী শান্নবুং ওইরম্বনি। ঙসিদি মতমগী য়াওল মতুং ইন্না কম্যুনিতি হোল ওন্থোকখ্রে। অদুগা ঐখোয়গী পেরেদতগী হৌরগা বোক্সিং শান্নরোয়দা ঐনা থেংনদবসি কয়া য়াওদ্রে। অয়াম্বা বোক্সরশিং থেংনজরকখি। অমরোমদসু কে ৱাই দি সী অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোক্সিং এসোসিএসন ওনদ্রিফাওবদি টিম চেম্পিয়ন অদুম তারকখি। অঙাং তাকপী তম্বীবগী মতাংসিসু ওজা ইবোমচা, ওজা নরজিৎ ময়ামসিসু বোক্সিং শান্নরোয় শেমগৎপদা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌবীরকখিবা মরুওইবা ওজা ঙাক্তনি। ওজাশিং অসিগা লোয়ননা ঐহাকসু অঙাং ময়াম শেমদুনা পুথোকচরকখি।

মণিপুরগী বোক্সর সৌবাম সুরেস (ওলিম্পিয়ন), মহাক্কী মনাওনুপা সৌবাম শন্তোস মখোয়সিসু ঐহাক্না গ্রাস রুটতগী শেম্লগা পুথোকচরকখিবা শান্নরোয় ঙাক্তনি। ষ্টেট অসিগী মমিং লৈরবী নুপী বোক্সর বেরি কোম, লাইশ্রম সরিতা মখোয়সু ঐহাক্না নেসনল কেম্পতা ইতৎ তত্তনা অদুম লোইনজরকখি। কুমজা ২০০৪দা ইন্দিয়াদা তৌখিবা (হিসারদা) জুনিয়র এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তসু ঐহাক কোচ অমা ওইনা য়াওজরকখি। মদুদা মণিপুরদগী নুপীমচা বোক্সর অহুম অশারানি, সরিতা, মেরি কোম শরুক য়াখি। মদুদা গোল্ড অনী, সিলভর অমা ফংলকখি।

কুমজা ২০০৬তা ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী নেসনল কোচিং কেম্পতসু ঐহাক কোচ অমা ওইনা য়াওজরকখি। মদুদসু মেরি, সরিতা, ইবেমচা মখোয় অহুম শরুক য়াখি। সরিতাগা মেরিকা গোল্ড লৌরকখি। ইবেমচাসু সিলভর মেদল অমা লৌরকখিবনি।

মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা, ১৯৯৯গী ফিফ নেসনল গেমস অদুদসু ঐহাক্না ওজা নরজিৎকা ষ্টেটকী বোক্সিং কোচ ওইনা নুপীগী বোক্সিং অসি নেসনল গেমসকী স্পোর্টস ইভেন্ট অমা ওইনবগীদমক দেমো তৌদুনা শক্তাকখি। এল সরিতা অমদি দল্লিয়ু সন্ধ্যারানিনা ফিফ নেসনল গেমসতা লাক্লিবা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটকী মমাঙদা নুপীগী বোক্সিং অসি নিংথিনা মশক তাকখি। হায়রিবা চহী অদুদগী নুপীসু বোক্সিং শান্নবা য়ারে হায়বা অমা লাকখিবদগী মশান্না অসিবু পামজবা শান্নরোয় নুপীমচা কয়া থোরকখি।

বোক্সিংগী কোচ অমা ওইনা এসোসিএসনগী থবক থৌরম কয়াদসু ঐহাক সেনিয়র অহলশিংগী মতুং ইন্দুনা য়াওজরকখি। মমাঙগী টর্মদা সেক্রেটরিগী থৌদাং পুবিরম্বা ওজা মোমোনগী মতমদসু ঐহাক ষ্টেট টিম পুদুনা নেসনল চেম্পিয়নশিপ কয়াদা তোইনা চৎচরকখি। অয়াম্বা মতমদা মণিপুর টিম পুদুনা চৎপসি ঐগী শোয়ফদ্রবা ইথৌ ওইজরকখি। হায়রিবা মতমদুদা কোচিংসু তৌগনি, টিমসু ঐনা পুরগা চৎকনি। অসুমহায়না শান্নরোয়শিংগা শাংলবা মতমসি লোইনজরগা লাকচখি। দিঙ্কুনা ইহান হান্না সব জুনিয়রগী (চহী ১২গী) হিসারদা নেসনল চেম্পিয়নশিপ শান্নবা চৎপা মতমদসু ঐনা কোচ ওইনা পুরগা চৎচখি। কুমজা ১৯৮৯-৯০দা মহাক্না সব জুনিয়রগী শান্নবসিদা সনাগী মেদল লৌরকখি। -মথং-মথং



# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮৪

১। মণিপুরগী করম্বা মফমদা গ্রাসকোর্টকী টেনিস কোর্ট শেমদুনা টেনিস শান্নরম্বগে?

২। ব্রাজিলগী পেলেনা য়ুনাইটেদ কিংদমদা ওফিসিএলগী ওইবা থৌরম অমা চৎপদা মহারানি ইলিজাবেথ অনীশুবনা মঙোন্দা ইংলিস ক্লব অমদা ফুটবোল শান্নবা য়াওহন্নীংই হায়খি। করম্বা ইংলিস ক্লবতা মহারানিনা মহাকপু য়াওহন্নীংই হায়খিবনো?

৩। ইন্দিয়ানা হেক নীংতম্বা চহীদগী কুমজা ১৯৫৪ ফাওবা মণিপুরদা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী চাউবা শান্নবগী কুম্মৈ অদু করম্বনো?

৪। কুমজা ১৯৯৬তা অটলান্টদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা মহাক চহী ৯৮ শুখ্রে। মহাক ওলিম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংখিবা নুপানি অমদি ওলিম্পিয়ানশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শাংনা চহী ১০০ হেন্না পুন্সিখি। মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# হিরো আই এস এলদা জমসেদপুর ফুটবোল ক্লবনা দেল্লি দাইনামোসপু পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে



জমসেদপুর, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী)ঃ ঝর্খন্দগী সিটি জমসেগপুরদা ঙসি শান্নখিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৫২শুবা মেচতা য়ূম্বু ওইখিবা টিম জমসেদপুর ফুটবোল ক্লবনা দেলি দাইনামোসপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

জমসেদপুরদা লৈবা জে আর দি টাটা স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ঙসি আই এস এলগী ১১শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা জমসেদপুর এফ সি অমসুং দেল্লি দাইনামোসকা লম্বা তৌনখিবনি। নীংশিংবা য়াই দেল্লিগী টিম অসি হন্দক্কী লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা মেচ অমত্তা মায়পাকপা ঙমদবগা লোয়ননা শুপ্নগী দ্রো ৪ চৎখিবা অদুনা মরম ওইরগা পোইন্ট ৪ ফংদুনা টিম ১০গী লম্বা অসিদা খ্বায়দগী মমৈদা লৈরি।

নাকল অমরোমদা জমসেদপুর এফ সি মেচ ১০ হান্না শান্নখিবদা মেচ ২ মায়পাকখিবা অমদি মেচ ৭দ্রো চৎখিদুনা পোইন্ট ১৩ ফংলগা ৭শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি। ঙসিগী মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু দেল্লি দাইনামোসকী মায়কৈদগী লালিয়নজ্বালা ছাংতেনা শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা চন্দুনা জমসেদপুর এফ সিবু মাংজিল থাদুনা লৈখি।

শান্নবা মখাচথরকপদা জমসেদপুরগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক্ট অমদা কার্লোস কালভোনা পীরকপা বোল অমা টিমমেট টিম কাহিলনা ইক্বেলাইজর অদু শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু ফংখি। অহানবা হাফ লোয়শিনখি। অনীশুবা হাফ অদু টিম অনীম্মক য়াম্না মান্নবা মওংদা লম্বা মখা তারকখি।

মেচকী ৬১শুবা মিনটতা এটেক্ট তৌবগী চাং হেজিঙ্লকখিবা জমসেদপুর এফ সিগী ফারুক চৌধুরিনা য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অমা চন্দুনা দেল্লি দাইনামোসপু ২-১দা হেন্দুনা লৈখি। লেমহৌবা পুংখাই অমরোমগী মতম অদুদা দেল্লিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা জমসেদপুরনা মায়পাক্তুনা পোইন্ট ৩ ফংখিবদগী অপুনবা পোইন্ট ১৬ শুদুনা পোইন্ট টেবলদা ৫শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখি।

# এ এফ সি কেম্পকীদমক ৩৪গী মমিং লাওথোকপদা মণিপুরদগী রঞ্জন, জেকিচান্দ অমসুং উদান্ত য়াওখ্রে



ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী)ঃ য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসনা য়ূম্বু ওইদুনা মথং চহীগী জনুৱারী থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন কপ ২০১৯দা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী টিম শেম্মনবগী কেম্প য়াওগদবা শান্নরোয় ৩৪গী মমিং লাওথোকপদা মণিপুরদগী সলাম রঞ্জন, টেলেম জেকিচান্দ অমসুং কুমাম উদান্ত য়াওরক্লে।

ইন্দিয়াগী নেসনল ফুটবোল কোচ ওইরিবা ষ্টেফেন কোন্সটেন্টাইননা ঙসি শান্নরোয় ৩৪গী মমিং অদু লাওথোকখিবনি। শান্নরোয় ৩৪ লাওথোকখিবগী মনুংদা আই লীগতা হৌজিক হৌজিক ইষ্ট বেঙ্গলগী দিফেন্দর অমা ওইনা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী সলাম রঞ্জন খক্তমক প্রিপরেটোরি কেম্প অদুদা কৌরকপদা য়াওখিবনি। অতোপ্পা আই লীগতা শান্নরিবা শান্নরোয় অমত্তা কেম্পকীদমক খনবদা য়াওরক্তবনি।

টেলেম জেকিচান্দ হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়ন সুপর লীগকী টিম অমা ওইরিবা এফ সি গোৱাদা মিদফিল্ডর অমা ওইনা শরুক য়ারি। নাকল অমরোমদা কুমাম উদান্ত ইন্দিয়ন সুপর লীগকী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইরিবা বেঙ্গালুরু এফ সিদা য়াম্না ফিভম ফনা মিদফিল্ডর অমা ওইনা শান্নরি।


কোচ ষ্টেফেন কোন্সটেন্টাইননা শান্নরোয় ৩৪গী মমিং লাওথোকখিবা অনৌবা শান্নরোয় অনী য়াওখিবা অদুদা হৌজিক হৌজিক কেরেলা ব্লাষ্টরসতা মিদফিল্ডর ওইনা শান্নরিবা মশাগী চহী ২১দা ঙাইরিবা সলাল অবদুল সমাদ অমদি এটলেটিকো কোলকটাদা মিদফিল্ডর অমা ওইনা শান্নরিবা মশাগী চহী ১৮দা ঙাইরিবা কোমল থাটলনি।

এ এফ সি এসিয়ন কপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী টিম শেম্মনবা লাওথোকখিবা শান্নরোয় ৩৪ অদুদিঃ গোলকিপরদা গুরপ্রিট সিংহা সান্ধু, বিসাল কাইথ, অর্মিন্দর সিংহ অমসুং অরিন্দম ভটচার্য়নি। দিফেন্দরদা প্রিটম কোটল, নিষু কুমার, লালরুৱাথারা, সন্দেস জিনঘান , সলাম রঞ্জন, সরথাক গোলুই, সোবাসিস বোস, জেরি লালরিজ্বালা, নরায়ন দাস অমসুং অনাস ইদাথোদিকানি।

মিদফিল্ডদা কুমাম উদান্ত, নিখিল পূজারে, টেলেম জেকিচান্দ, প্রোনোয় হল্ডার, অনিরুদ থাপা, ভিনিট রাই, রোলিন বোর্গিস, সলাল অবদুল, জর্মনপ্রিট সিংহ, কোমল থাটল, বিকাস জায়রু, অসিখ কুনিয়ন, হালিচরন নারজরে অমসুং লালিয়নজ্বালা ছাংতেনি। ফোৱার্দতা সুনিল ছেত্রি, জেজে লালপেখুলুৱা, বলৱন্ট সিংহ, মনবির সিংহ, সুমিট পাসি অমসুং ফারুখ চৌধুরিনি।

য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসনা য়ূম্বু ওইদুনা কুমজা ২০১৯গী জনুৱারী ৫দগী হৌরগা ফেব্রুৱারী ১ ফাওবা শান্নফম ৮দা পূন্না টিম ২৪না গ্রুপ ৬ থোক্না শান্নগদৌরিবা এ এফ সি এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী গ্রুপ 'এ'দা অহানবা ওইনা থাইলেন্দগা জনুৱারী ৬তা লম্বা তৌনগদৌরি। অনীশুবা মেচ ওইনা জনুৱারী ১০দা য়ূম্বু লৈবাক য়ূ এ ঈগা লম্বা তৌনরবা মতুং গ্রুপকী অরোইবা মেচ অদুনা জনুৱারী ১৪দা বহারেনগা শান্নগনি।

# বেদমিন্টন ৱর্ল্ড টুর ফাইনেলসতা ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোয় পি ভি সিন্ধু মায়পাকখ্রে, সমির ভর্ম্মা মায়থীখ্রে



গ্বাংঝৌ, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী)ঃ ঙসিদগী চাইনাগী সিটি গ্বাংঝৌদা হৌখিবা বেদমিন্টন টুর ফাইনেলতা ইন্দিয়াগী নূপী শান্নরোয় পি ভি সিন্ধু মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মায়পাকখ্রে। অমরোমদা ইন্দিয়াগী নূপাগী শান্নরোয় সমির ভর্ম্ম অহানবা গ্রুপ মেচ মায়থীখ্রে।

মালেমগী বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ওইনা চহী অমগী লোয়শিল্লকপদা মমাংদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট কয়াদা ফজবা ঙমখিবা নূপা অমসুং নূপী শান্নরোয় ৮/৮না শরুক য়াদুনা কেটিগোরি ৫দা লম্বা তৌনবনি। শান্নরোয় ৪/৪না গ্রুপ অমমমদা রাউন্দ রোবিন মেচ শান্নরবা মতুং মকোক থোংবা শান্নরোয় ২/২না সেমী ফাইনেলগীদমক লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

ঙসি নূপীগী গ্রুপ 'এ'গী অহানবা রাউন্দ রোবিন মেচ অমদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা মমাং চহীগী টুর ফাইনেলগী চেম্পিয়ন হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ড নম্বর টু শান্নরোয় জপানগী অকানে য়মাগুচিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়পাকখি।

শান্নরোয় অনীনা গ্রুপ 'এ'গী অহানবা রাউন্দ রোবিন মেচ অদুগী অহানবা গেম অদুদা য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। পনবা য়াই সিন্ধু অমসুং য়মাগুচি মমাংদা মেচ ১৩ লম্বা তৌনখিবদা সিন্ধুনা ৯-৪দা হেন্দুনা লৈখি। সিন্ধু গেম অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৬-১১দা শোখদুনা লৈখি। অদুবু মহাক্কী মশান্না অদুদা য়াম্না চেকশিনবা অমদি হাথু-হাথু তৌদনা শান্নবা ঙম্লকপদগী য়মাগুচিনা হেল্লম্বা পোইন্টশিং অদুবু তানখৎতুনা পোইন্ট ১৯-১৯দা মান্নরকপা ঙমখি। মখাতানা ফজবা ঙম্লকপদগী পোইন্ট ২৪-২২দা মায়পাক্তুনা গেম ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা গেম অদুগী অহানবা হাফ য়াম্না মান্নরম্বদগী সিন্ধুনা হাফ অদু লোয়শিল্লকপদা পোইন্ট ১৪-১১দা হেন্দুনা লৈখি। তাঙ্কক অদুদগীদি জপানগী শান্নরোয় য়মাগুচিদগী পোইন্ট মাংজিল থাদুনা গেম অদু লোয়শিল্লকপদা পোইন্ট ২১-১৫দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ রোবিন মেচচা য়ূ এস এগী শান্নরোয় বৈৱেন ঝাংগা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াই গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেচ অমদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িংগা লম্বা তৌনবদা ১৫-২১, ১৭-২১দা মায়থীহৌবনি। নূপীগী গ্রুপ 'বি'দা জপানগী নোজোমি ওকুহারানা কানাদাগী মিশেল লীবু ২১-১৮, ২৩-২১দা থোইবা ঙমখি। অদুগা অতোপ্পা গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেচ অমদনা থাইলেন্দগী শান্নরোয় রাটচানোক ইন্তানোন অমসুং চাইনাগী চেন য়ূফৈবু ২১-১৮, ২০-২২, ২১-১৭তা অহানবা রাউন্দ রোবিন মেচ মায়পাকখি।

নূপাগী কাংলূপ্তা ইন্দিয়াগী সমির ভর্ম্মনা গ্রুপ 'বি'দা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা জপানগী কেন্তো মোমোতাগী মখুত্তা ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থীবা নংখি। গ্রুপ রাউন্দ অদুগী অহানবা মেচ অদুগী অহানবা গেম অদুদগী হৌরগা মোমোতানা লাকশিন্না শান্নবা ঙমখি। সমিরনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মহাক্কী পোইন্ট ১৮ ফাওবা য়ৌবতা ঙাইরিঙৈদা মোমাতানা পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানখিবদগী গেম অমা মাংজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা গেম অদুদদি কেন্তো মোমোতাগী য়াম্না অহেনবা মশান্না অদুনা ইন্দিয়াগী সমির ভর্ম্মবু ২১-৬তা থোইদুনা মেচ অদু মায়পাকপা ঙমখি। গ্রুপ 'বি'গী অতোপ্পা মেচ অমদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় তোমি সুগিয়ার্টোনা থাইলেন্দগী কান্টাফোন ৱাংচারোইনবু ২১-১৮, ১৮-২১, ২১-১১দা থোইবা ঙমখি।

নূপাগী দবলসকী গ্রুপ 'বি'গী মেচ অমদা জপানগী পেয়র হিরোয়ুকি এন্দো অমসুং য়ুটা ৱাটানবেনা ইন্দোনেসিয়াগী মুহম্মদ অসান অমসুং হেন্দ্রা সেটিয়াৱানবু ২১-৪, ২১-১৮দা থোইখি। গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র অনী লম্বা তৌনখি। মদুদা লিং চেন হুং অমসুং ৱাং চি লিনগী পেয়রনা লিয়াও মিন চুন অমসুং সু চিং হেঙগী পেয়রবু ২১-১৭, ২১-১৬তা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ 'এ'গী নূপাগী দবলসকী মেচ অমদা ইন্দোনেসিয়াগী মার্কস ফর্নাল্ডি গিদিওন অমসুং কেবিন সঞ্জয়া সুকামুলজোগী পেয়রনা দেনমার্ক্কী কিম অষ্ট্রুপ অমদি এন্দর্স রাসমুসেনগী পেয়রবু ২০-২২, ২১-১৭, ২১-১৩দা থোইখি।

# জপানগী সেটোনা স্বিমিংগী রেকোর্দ থমখ্রে

হাংঝৌ, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী)ঃ চাইনাগী সিটি হাংঝৌদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড স্বিমিং চেম্পিয়নশিপকী অহৌবা নুমিৎতা জপানগী দয়া সেটোনা নুপাগী মিটর ২০০গী বট্টরফ্লাইদা রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রে।

ঙরাং পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুগী নুপাগী মিটর ২০০গী বট্টরফ্লাই ইভেন্ট অদুদা হান্নগী চেম্পিয়ন সাউথ অফ্রিকাগী চাদ লে ক্লোসকী লৈরম্বা রেকোদ অদু মহাক্না সেকেন্দ ০.০৮ ঙনখৎলগা গোল্ড মেদল ফংবদা নত্তুনা রেকোর্দসু থুগাইখিবনি।

জপানগী দয়া সেটোনা ইভেন্ট অদুগী হৌরকপদা খরা শোত্থনা লৈরম্লবসু অরোইবা তাঞ্জাদা অতোপ্পা স্বিমরশিং অদুদগী হেনগৎলক্তুনা মশাগী চহী ২৪দা ঙাইরিবা নহা ওইরবা স্বিমর অদুনা মিটর ২০০গী বট্টরফ্লাই ইভেন্ট অদু মিনট ১ সেকেন্দ ৪৮.২৪দা গোল্ড মেদল ফংখিবনি।

পনবা য়াবদি কুমজা ২০১৬তা ব্রাজিলনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা রিও ওলিম্পিক গেমসতা দয়া সেটো ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি। মায় পাক্লবা মতুং মহাক্না মিটর ৪০০গী ইন্দিভিজুএল মেদলেগী রেকোর্দ অদুসু থুগাইবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

নুপীগী মিটর ২০০গী ফ্রীষ্টাইল ইভেন্টতনা চহী ১৭তা ঙাইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী অরিয়ার্নে টিটমসনা মিনট ১ সেকেন্দ ৫১.৩৮দা গোল্ড মেদল ফংখি।

পনবা য়াবদি টিটমসনা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলথ গেমসতা মিটর ৪০০ অমসুং ৮০০গী ফ্রীষ্টাইল গোল্ড মেদলসু লৌবা ঙমখিবনি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেদল অদুনা য়ু এস এগী মালোরি কোমরফোর্টনা ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ অদুনা নেদরলেন্দসকী ফেনকে হেমসকর্কনা লৌখি।

# ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিং মায় পাক্তুনা ইংলেন্দ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া সেমী ফাইনেল য়ৌখ্রে

ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী)ঃ ভুবনেশ্বর সিটিগী কলিঙ্গা হোকি ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা মেন্স হোকি ৱর্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেস মেচশিংদা ইংলেন্দনা অর্জেন্টিনাবু পাঞ্জল ৩-২দা অদুগা ওষ্ট্রেলিয়ানা ফ্রান্সপু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে।

ঙসি ৱর্ল্ড কপ অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অর্জেন্টিনা অমসুং ইংলেন্দগা লম্বা তৌনখি। মীয়াম্না অর্জেন্টিনানা মায়পাক্কনি হায়না চাওনা থাজনখি। অহানবা পাঞ্জল অদুসু টিম অদুগী মমিং লৈরবা দ্রেগ ফ্লিক্কর গোঞ্জালো পৈলাটনা শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা চনবা ঙমখি। মেচ অদুগী অনীশুবা ক্বার্টর অদুগী হৌরকপদা অর্জেন্টিনানা চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনখি।

ক্বার্টর অদু লোয়গদবা মিনট ৩তা ঙাইরবা মতমদা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক্ট অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় বেরি জোন মিদলটননা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ অদু লোয়শিল্লকপদা ইংলেন্দ অমসুং অর্জেন্টিনা পাঞ্জল ১-১দা পাঙ্গল মান্ননা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী অহানবা মিনট ১৫ শান্নখিবা মেচ অদুগী অহুমশুবা ক্বার্টর অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী মখাতাবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা য়াম্না কন্না লম্বা তৌনরকখি। মখোয় মখোয়না পুশিনখিবা বোলশিং পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা ৩শুবা ক্বার্টর অদু লোয়শিনখি। মেচকী অরোইবা অমদি ৪শুবা ক্বার্টর অদু শান্নবা হেক হৌরকপদা ইংলেন্দনা য়াম্না খোংজেল য়াঙনা পুশিনখিবা এটেক্ট অমদা ৱিল কালনাননা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা অর্জেন্টিনাবু ইংলেন্দনা মেচ অদুদা অহানবা ওইনা পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয়শিং ইক্বেলাইজর অদু চন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। শান্নবগী ৪৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা গোঞ্জালো পৈলাটনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা ইক্বেলাইজর অদু ফংদুনা টিম অনীম্মক অমুক্কা হন্না পাঞ্জল ২-২দা মান্নদুনা লাকখি। অদুবু ইক্বেলাইজর অদুগী মতুং মিনট অমগী মনুংদা ইংলেন্দগী অথুবা এটেক্ট অমদা হেরি জোন মার্টিননা ৪৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মখোয়না অর্জেন্টিনাবু পাঞ্জল ৩-২দা মাংজিল থাখি। মখাতাবা মতম পাঞ্জল লৈখিদবা অদুনা মরম ওইদুনা ইংলেন্দনা অহানবা টিম ওইনা সেমীফাইনেল য়ৌখি। মখোয়না হয়েং ইন্দিয়া অমসুং নেদরলেন্দসনা শান্নগদৌরিবা মরীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অথোইবা টিম অদুগা সেমীফাইনেল শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা মমাংগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ফ্রান্স লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হৌবদগী হৌনা ওষ্ট্রেলিয়ানা পাঙ্গল হেন্না শান্নবা ঙমখি। মেচকী ৪শুবা মিনটতা জেরেমি হেৱার্দনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা টিম অদুগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি।

অহানবা ক্বার্টর অদু লোয়শিল্লকপদা ফ্রান্সনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখিদে। মখোয়না অনীশুবা ক্বার্টরদা মখাতানা হোৎনদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়োক্তা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবা অদু অরেম্বা তাখি। শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী ব্লেক গোবর্সনা পেনাল্টি কোর্নর অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ফ্রান্সপু মখোয়না ২-০দা মখাতানা মাংজিল থাদুনা লৈখি। অনীশুবা হাফ লোয়শিনখি। ফ্রান্স পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফকী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ওষ্ট্রেলিয়াগী অরান জলেস্কিনা ৩৭শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা মেচকী ৩শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেচ অদু মখোয়না মায়পাক্তুনা ৱর্ল্ড কপ অসিগী অনীশুবা সেমীফাইনেলদা জর্মনি অমসুং বেলজিয়ম অনীগী অথোইবা লম্বা তৌনরগনি।